# ‘লাইজ পীথক-পীথক্লগা লাল্লু চোম্মাইদু লৌরা-!’

- এল ইবোমচা -

হৌজিক্কী মণিপুরগী ঙমখৈ অসি অৱাংদনা নাগা হিলসকী চীংশাং, অৱাং নোংপোক, নোংপোক অমদি মখাদনা বর্ম্মা, খা নোংপোক, নোংপোক অমদি অৱাং নোংচুপ্তা অসামগী কছার দিষ্ট্রিক্ অমসুং মিজোরামনা ওই। অদুবু মহৌশা নিংথৌ পাল্লিঙৈগী মতমদুদদি মথক্কী হায়রিবা ঙমখৈ অসিখক্তনা ওইরক্তে পাল্লম-পাল্লম্বা নিংথৌশিংদুগী মপাঙ্গলগী মতুংইন্না পাক-চাউনা শন্দোক্তুনা লৈরম্মী।

মপান্দগী কোন্না চঙলকপা মীওই কাঙলূপ খরা নত্তনা মণিপুরদা লৈরম্বা মীওইশিং অসি য়েক তরেৎ নৎত্রগা সলাই তরেৎকী মচা মশুশিং ঙাক্তনি। সলাইশিং অসি অমগা অমগা চারৌ মৌরৌনৈ। অদুবু য়েক অমগী ওইবা অপূনবা মশেল লৌনা লৈনবা য়াদে। অসুম্না অপূনবা সলাইগী মীশিং অসিবু ‘মৈতৈ’ হায়না খঙনরকখি। মৈতৈনা লৈবা লম্বু মৈত্রবাক (মৈতৈ লৈবাক) হায়না খঙনৈ। কাইনথংদা চীংমী-তম্মী অপূনববু (মণিপুরী) হায়না খঙনরকই। মণিপুরীশিংনা লৈরিবা লৈবাকসিবু বর্ম্মিজশিংনা ‘কতে’ হায়না কৌনরম্মী। কছারদা লৈরিবা মীশিংনা ‘মোগলী’ অদুগা সান অমদি চীন্দুইন তুরেলগী নোংপোক্তা লৈবা লৈবাকশিংগী মীশিংনা ‘কাছে’ হায়না খঙনরম্মী। অসুম্না অকোয়বদা লৈরিবা লৈবাকশিংনা মণিপুরবু মীং কয়ামুক অসি থোন্দুনা খঙনরম্বা অসিনা তাক্লিবদি মণিপুর অসি মমিং য়াম্না চৎপা লৈবাক অমা ওইরম্মী হায়বদু তাকচৈ। মরম অসিনা মণিপুর অসি অকোয়বদা লৈরিবা লৈবাকশিংনা য়াম্নমক কল্লকই। মণিপুরগী ঈশিং, নুংশিৎকী ফীভম অমদি লৈবাক লৈহাও খঙবা যূল্লোন্নবা লৈবাক্কী মীওই কয়া কয়ানা তূমিন-তূমিন্না লোন্না চঙলক্তুনা খুন্দাশিনবা হৌরকই। লোন্না চঙলক্তুনা খুন্দাশিল্লিবা মীওই কাঙলূপশিং অসি করম্বা লৈবাক্কী করম্বা কাঙলূপকী মীওইশিংনো হায়বদু মণিপুরগী নিংথৌনা থিগৎহন্দবদি নত্তে। অদুবু খুন্দাদুনা লৈরল্লিবা মীওই কাঙলূপশিং অদু য়েক সলাই লৈতবা মদুগী মথক্তা উমং ৱামংগী মরক্তুদা লৈরম্বনা শানা-কৈনা চাদুনা অমদি লিননা চীক্তুনা মরন্নাই শিজখিনি খনবগী মওংদা চহীগী লোই খরা হারগা পংলৈ লৈহল্লম্বনি।

তৌবগীদি লোই হারগা লৈহল্লিবা মীওই কাঙলূপশিংদু মমাঙঙৈগী নিংথৌশিংনা খোংজাই হায়দুনা খঙনরম্মী। ঙসিনা অশুপ্পদা কুকি হায়না খঙনরিবা ফূরুপ অসিনি। অদুগদি কুকিশিং অসি শূদনা নুংঙাইবা পাম্বা, মী খৎনগনবা, লান পাম্বা ফূরুপ অমা ওইরম্বনি। থবক শূনীংদবা, অহাউবা চাবা য়াম্না পাম্বা, হুরান-চিন্থি, লাকপা-ফোইবা পাম্বা মীওই কাঙলূপ ওইরম্বনি। মীগী মপোৎ মরল মীহৌবা, ৱাদনা নুংঙাইবা পাম্বা মীওই কাঙলূপ ওইরম্বনি। মরম অসিনা কুকি হায়বা ফূরুপ অসিগী মীওইশিংসি মীবু শুমহৎপা ঙম্বা ৱাদি ঙাঙলগা মখূৎ তিংথোক্তনা নমথাক তৌরগা নুংঙাইনা হিংনীংবশিংনি। ইস্কোল কোয়বদা, লৌউ-শিংউ তৌবদদি হুমাং তাবা, লৈখোম লৈনাং তৈবা শিনফম ওইবনা মসিগী মহুত্তা পোপি থাবনা মরু ওইবা শিনফম ওই। পোপি মহৈ লোকপা য়াবগী মতম হেক য়ৌরকপগা মহৈদগী কানি শুংবা, হিরোইন নম্বর ফোর শুংবা অমদি মদুবু লল্লোন্নবা হোৎনবদা থৱায় থাবা পাম্মুদে। মরম অদুনা চীংদা কুকি লায়রবা অমত্তা লৈত্রবনা লৈবাক লৈহাও লৈরবা মণিপুরগী পাক চাউরবা চীংমাইশিং অসি মখোয়গীদি লাইরৈবাক্লি খঙে।

মণিপুরগী চীং অমদি তমদা লৈরিবা মীওইশিংবু মণিপুরী হায়না খঙনবনা মণিপুরীশিংগী মনুংদা মীশিং য়াম্বা মীতৈ ফূরুপকী মমালোন মীতৈলোলবু মণিপুরী লোল হায়রগা খঙনৈ। সাহিত্য একাদেমি ওফ ইন্দিয়ানা খৃ: ১৯৭১দা মণিপুরী লোলবু মেজর ইন্দিয়ন লেংগ্বেজ অমা ওইনা শকখঙবিখ্রে। ওল ইন্দিয়া রেদিওনা য়ারবা লোল অমা ওইদুনা ইম্ফাল ষ্টেসনগী অপূনবা থৌরমগী চাদা ৭৫গী চাংদি লোল অসিনা শন্দোরল্লি। হৌজিক্তি মণিপুরী লোল অসিদা পোষ্ট গ্রেজুএট তম্বা অমদি পরিক্ষা থাবা য়াবদা নত্তনা এম ফিল অমসুং পি ঐচ দিগী থেসিস কয়া অমা পুথোকখ্রে।

মীতৈলোল (মণিপুরী) গী তোপ তোপ্পা গুণ অমগা হায়বা তারবদি মশাগী ময়েক লৈজরম্বা অসিনি। মালেমগী চাওখৎলবা লোলশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা সংস্কৃট লোল ফাওবা মশাগী ময়েক লৈজদবা মরম্না দেবনাগীরি ময়েক ওইনা শীজিন্নরি। মীতৈলোলগীদি মদু নত্তে তোপ তোপ্পা মালেমগী ময়েক অমত্তগা মান্নদবা খোন্থোকসু মান্নদবা লোলনি। মসিগী হায়রুরবদি মীতৈলোল অসি সনাগী মথক্তা তম্ফা থিনবা লোলনি হায়না শীংথাবা য়াই। অসুম্না মালেমদা মশেক মঙাল নাইনা লৈরিবা লোল অসিবু হন্দক্কী কুকি মীতৈ অনীগী লান মনুংদা মশানা ঐ লাইরিক হৈরবনি হায়বা কুকি খরনা মখোয়গী লোলদগী পুবা অমদি থৈথরকপা লোল অমনি হায়রকপা মসিনি য়াম্না ঙক্লিবসি। হায়বদি নোংমদা ইমুং অমদা তঙাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা মী অমগী চিন্দগী ঙাইহাক লৈতনা ইতৎ তত্তনা হায়দুনা লৈরবা ঈশিংদগী হৌরগা শেৎনা ইন্নবা ফিরোল, ফৌ, চেঙ, চাক ফাওবদা মখোয়গী লোলদগী তাংজবনি হায়না ফেসবুক একাউন্টতা পোষ্ট তৌরকপা অসিনি।

মতাংসিদা কুকিশিংনা খঙগদববদি মীতৈদি মীগী মরোল ময়েক হুরাল্লগা কৈদৌনুংদা শীজিন্নরক্তে হায়বা অসিনি। শীজিন্নবা তারবসু শীজিন্নরিবা লম-লমদুগী মমিংনা হান্না মমাঙদুদা থম্বা চৎনরকই। খুদম ওইনা - পোং হৱাই, পোংহুৎ, পোং হৈতোন (পুংদোল), পোং থরোই, পোং লৈবাক্তগীনি হায়বনি। তেখাও (অসাম) দগী তেখাও বামোন, তেখাও ৱাইখু, তেখাওলূ। অৱা (বর্ম্মা) দগী অৱাথবী, অৱা ফদিগোম, অৱা কেগে। কবোদগী কবোকঙ, কবোকৈ, কবো নাপী, কবো পায়া, কবো খুজি, কবোৱূ, কবো য়োৎপি। তখেলদগী তখেল্লে, তখেল থাঙ, তখেল খুনু। খাগি (চিনা) দগী খাগি লৈহাও, খাগি লং অমসুং খাগি ফুরিৎ অসিনচিংবনি। মরম অসিনা মীতৈদি মীরৈবাক্কী লোল ময়েক হুরান্দুনা খক শীজিন্নরক্তে, শীজিন্নবা তারবসু লম-লমদুগী মমিংনা মমাঙ থারগা শীজিন্নরকই তাকচৈ। মরম অসিনা কুকিশিংগী ক্লেম থাজনীংঙাই ওইদে। মতৌ তম্বা হায়বসিদি চাওখৎপগী মতৌ অদুবুনি। থাক হন্থনা লৈবা কুকি লোন্দগী থাক ৱাংনা লৈবা মীতৈলোলনা মতৌ তম্ফম থোক্তে হায়বা খঙগদবনি হায়বসিনি।

অদুগা মীতৈগী ইমুংদা চাউরকপা, মীতৈগী নাৎ চৎনবী শিৎ নান্না খঙবীনি হায়দুনা ক্লেম তৌজবী কুকি নুপীনি হায়জবী অমনসু মীতৈশিংদা অথিবা ৱাহৈ খোন্দা শীজিন্নদুনা ফেসবুক্তা চৈরকপা অদুবুসুনি। মাগী মীচৈ অদু ফেসবুক হাংদোক্তুনা ইমুং-মনুং পূন্না তামিন্নবা য়াবা ৱাহৈ অমত্তা য়াওদে। অতাবা মীদি লায়রদনা ঙাঙলিবা চিন্দু লাইথুং কোতি কুন্থ্রা থুংগনি হায়না পন্ন-ঙাঙনদবা ৱাহৈনি। মাগী মীচৈ অদু অমুক হন্না ঙাঙদনবা কয়ারক হন্না হায়রুবদা মানা খুল্লকপা পাউখুমদুবু - ঐগী ইনাওশিং, ইয়াম্বশিংনি হায়না খঞ্জরিবা মীতৈ নুপাশিংদনি ঐনা চৈরিবসি হায়দুনা লৈতোন য়াম্না শেংনা পাউখুম পীরকখি। ফরে নঙ মীতৈগী ইমুংদা চাউরকপী ওইবনা ঙাঙবদা লৈতোন শেংই, ঈশিং লিৎতে অদুবু মীতৈ নুপীশিংদি মবুং-মৌপ্পাদা ইয়াম্বা, ইনাও হায়নদি কৌনদে। নঙবু মীতৈগী মিঙ্গৌ-থাগৌ, নাৎ-চৎনবী কয়ামুক য়াম্না খঙলবগেনে হায়না হংলুবদা মানা খুল্লকই, - ঐসে উত্তি থোংবা, চগেম পোম্বা থোংবা অমদি ইরোনবদা মীতৈ নুপীনা হেনবীবা নত্তে। নখোয় মীতৈগী অমাং-অশেং খঙবগী মথক্তা সনামহী লাইনিংথৌদা ধুপ থাওমৈ থারকপী কুকি নুপীনি “মসিদা অদুম খঙলো?” মসিনি।

ৱাসি তাবদা খোঙদগী তোন ফাওবা শ্বাই লাওই, তু চুংই, মীতৈ নুপী অমনা শান্নবা ওইরমাল্লে চিংনহল্লি। তাংদাংবা অমত্তংদি খঙলগে হায়দুনা মহাক্না ইম্ফালদা লৈরম্মী হায়রিবা লৈকায়দুগী মমিং যূমদুগী যূম্নুগী যূম্নাক শাগৈ মমিং মথা নমহং-নমহং হংজিনবদা হায়দোকউ হায়বা শুকয়া য়ারকখিদ্রে। অকোনবদদি মশক্তু নুংশিমন্দবদগী তৌরগে হায়দুনা ইবেম্মা, মীতৈলোলগী ৱাহৈশিং- য়িপিংঙা, নপিংঙা, মপিংঙা হায়রিসি করি হায়রিনো খঙব্রা হংই। খঙদে করি হায়রিনো মদুদি? মসি - ইবানি, নবানি, মবানি হায়রিনি। ইয়ু, অদু, ইয়োন, শাবি নৎত্রগা য়াম্বা, ইমান, পন্থৌ অখুবা, শেল্লৌরেল, পাইরৌরেল, মদু অমদি ইমোম হায়রিবা ৱাহৈশিং অসিনা করি হায়রিনো খঙব্রা? খঙদে, করি হায়রিনো মদুনা? অদুবুরা মসিনা - ইপু, ইবেন, তাদা, মামা, খুরা, ইশেন, ইবাই, ইচন, ইচা হায়রিবনি। মীতৈগী ইমুংদা চাউরকপীনি হায়বনিনা অরোইবদা ইবেম্মদা ৱাহং সিমতংগা হংগে - ‘লাইজ পীথক-পীথক্লগা লাল্লু চোম্মাইদু লৌরা-? - নহাক মসিদি করি হায়রিবনো খঙব্রা-? “এহ! মতুনা অমুক্কা হেন্না খঙপি’তে হৈই-!” ●

# ঐখোয়না ঙাকচবা তাবনি

## মতম মতমগী
## গুরুময়ূম জ্ঞানেশ্বর শর্ম্মা

লৈবাক কন্নবা কাঙবুবু হন্না-হন্না থাগৎচরি, মতম কুইনা তূমখুল তাল্লুরবা লৈঙাকপশিংবু মীকপ থোকহনবীবগীদমক অমুক্কসু হন্না থাগৎচরি। তৌনীং তৌনীংবতা তৌরম্বা, ঙাঙনীং-ঙাঙনীংবতা ঙাঙলম্বা, মনীং-মখা তম্না-হাইনা হুম্না পাল্লম্বদুদি ৱারকপীনবা লৈতবদগী ওইরল্লেদনা। ঙসিদি য়াদ্রে, মশা শোক্না ৱাখল তামিন্নখিবসু য়াওখ্রে হায়। লৈঙাক মকোক্না কৌবদা মশা নারি হায়না লাকখিদবা, নাগে হায়বা নুমিত্তা নাবা হেক্তা ঙম্বা দেল্লীদা অনাবা লায়েংলি হায়দুনা মরী লৈনবা হোস্পিটালদগী চে ফাওবা উৎপা ঙমখিবশিং নাবা য়াখিদে খুদক্তা ফখি পন্থদনা ইম্ফাল য়ৌরকখি। হৌজিক্তি অচুম্বা ৱায়েল লাকপা হৌরে, কনানা মপূনো, কনানা মনাইনো অশেং-অশেংবদু ফন-ফন চোঙথোরক্লে, লৈখাই তারে ঙসিদি। মীখল মতমদা মীচম মীয়ামগী মমল নাইদ্রবা ভোট পীবীদুনা মীহুৎ ওইনা খনবীয়ু হায়না ভিক্ষা নিরম্বশিং, মীয়ামগী পাউখোল্লোই ওইজগে হায়না

লম্বী সড়ক, লৈরক-খুল্লক্তা অয়ূক-নুংথিল-নুমিদাং নাইদনা লাউখিবদো মনিং থুংজরে ঙসিদি অশেংবা পাউখোল্লোই ওইবা ফংজরে। লৈবাক মীয়ামগী পাউ পুদুনা দেল্লী চৎনবা য়াথং পীখ্রে। লৈথোক লৈশিন য়াগদবা মান্দে হন্দক্তি চৎপা তাবনি নুমিৎ ১৫নিগী মতম থাখ্রে, মোদিজি অমদি অমিটজিনা করি হায়রকপা ঙাইমিন্নরসি।

অনী থোকপীগী লমনি, অনী হেক হেক থোকই হায়নবদো হেন্না হেন্না ময়েক শেংলকপগুম তৌরি। লৈঙাকপগা লৈবাক কনবগা অনী খাইদোক্নখ্রে। ইকায়খুম্নফম থোক্লিবরা থোক্তবরা চপ চানা খঙদ্রবসু ইকায়খুম্নবদা মতিক চারবা হায়না হেক হেক মিঙ্গৌনবা লুচিংবশিংনা লৈঙাক পায়হৌরে। কুকিনা লান্দারকপা ঙাকথোক্নবা হোৎনরিবা খুল ঙাকপশিং, অরাম্বাই তেঙ্গোল অমসুং লান কাপ্পরিবা অতৈ ওর্গনাইজেসনশিংগী নহাশিংনা ইমা লৈবাক কনবগী থবক পায়হৌরে। মরী লৈনবা ওথোরিটিগী অইবা য়াথংমক য়াওদ্রবসু মখোয় মখোয়না তৌগদবা থবক থৌরমশিং দিমার্কেসন তৌরবগুম্বনি। লৈঙাক্না থবক হাপকনি, ত্রান্সফর অমসুং পোষ্টিং তৌগনি, চহীগী বডজেট পুথোক্লি, লম্বী থোং শেমগনি, থিকা পীবগী থবকসু মখোয়গী মখূত্তা লৈগনি। উরেপ-উয়ুং তমগনি, রিবন কক্কনি, মায়খুম হাংদোক্কনি। লান্দা অশোক-অপন, মীশি মীনা য়াওরকপা মতমদা হোস্পিটালদা নৎত্রগা ময়ূম-ময়ূমদা হংবা চৎকনি, এক্স গ্রেসিয়া পীগনি। য়ামখ্রে-য়ামখ্রে মখোয়গী থবক থাদুনা লোইবা ঙল্লোই, হন্দক্তি তূম্বা চাবগী মতম ফাওবা ফংগদবা মান্দ্রি। লৈবাক কনবা কাঙবুগীদি য়ামদে অমখক্তনি, শুপ্পগী অমখক মদুদি কুকিগী লান ঙাকথোকপা মসিনা লোইরে। চীংগা তাইনবা চীংয়া তময়াদা তূম্বা মচেৎ, চাবা মচেৎ, নিংথমথাগী অঙীংবা খাঙদুনা অফং-অফংবা চারগা ইমা লৈবাক কনবদুনা মখোয়গী অমত্তা ঙাইরবা মথৌ ওইরি।

কুকিনা মীতৈদা অতম্নুনা লান্দারকপা থা ৯ মপূং ফাজিল্লক্কদৌরে। লান অসিনা মরম ওইরগা লমদম অসিগী মীয়াম ৱাবগী পনখৈ লোম্লে। চাং খরা খেন্নজরবসু মীপূম খুদিংমক্না হকথেংননবু ওইরবসু নৎত্রগা নাকোইননবু ওইরবসু অৱাবগী চৈথেংদি অদুম ফংলি কুকিনা হাৎতোকপীখ্রবা মীচম মীয়ামগী ইমুং অদুনা ফংলমগদবা অৱাবগী চৈনা ফোঙদোক্নবা ৱাহৈ লৈতে। পাম্বৈ লৈজদ্রবা হিংহৌরিবা মরী-মতাশিংগী অৱাবা এক্স গ্রেসিয়ানা কোকহনবা ঙমগদ্রা? মপূন্সি চূপ্পা শূজ-নোমজদুনা তানশিঞ্জবা খূৎশুমল খোমজিন তাশিনজদুনা লেপশিঞ্জবা ঙসিদি তাঙ্গৌই ওনখ্রবা যূম-কৈ, মাল-চাং লৈঙাক্না কম্পেন্সেসন ওইনা পীবীগদ্রা? রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিং করি আশাদা হিংলমগনি? অচৌবা তুংগী আশা অমগা লোয়ননা প্রাইভেট স্কুলদা মহৈ তমহল্লম্বা মচা-মশুশিং লৈঙাক্কী স্কুলদা লেম্না তমহনবদা পেন্থোকপা ঙল্লগদ্রা? মশাগী ইমুংদা মীশি মীনা থোক্ত্রবসু, মাল-চাং মাঙদ্রবসু লান অসিনা মরম ওইদুনা মীওই কয়াগী শিনফমসু মাঙখ্রে, চাকখুম মৈ মুৎপগী ফীভমদা লাক্লে। আর্টিষ্ট কয়া মশা-মশাগী শিনফম থাদোক্তুনা হিংবা ঙম্নবা ইস্কোল কোইবা য়াও, লল্লোন ইতিক তৌবা য়াও অমদি চেক শূবা ফাওবা চৎনবগী পাউ লৈরে। পোৎয়েং শেল লৈতবদগী নুংশিনা তিন্নজরকপা মরুপ মপাংগী শোরাৎ চৎখিদে হায়বগী পাউ ফাওবা তানরক্লে। মীদিয়াদা ফোঙদোরকপা খরখক খঙবগী ৱানি, মসিদগী হেন্না তাবদা নুংঙাইতবা থৌদোক ৱাথোক কয়া লৈরমখিনি। লান য়ৌদবা ইম্ফাল ময়োন্দা লৈরিবা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী ফি য়োনবীশিংসু খুৎলামখাল কৌদবনা অয়াম্বা ওইরে হায়। নহাল বীর টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা ইন্দিয়ন আর্মিদা থবক তৌবা ইচাগী মমান্নবা অমা থেংনৈ, দিমাপুরদা পোষ্টিং লৈ হায়, দিমাপুরগী টিকেট ফংদদুনা গুৱাহাটি ফাওবা পাইরগা ত্রেনদা দিমাপুরদা লাক্কদবনি হায়। কয়াদা ৱারবনো? ঙসিদি লমদম অসিদা লৈরিবা সেক্সন খুদিংমক্কী মীওই খুদিংমক অৱাবা মায়ওক্নরি। মসি ওইরক্কনি হায়না খন্নরম্বরা? লান য়ৌবা য়ৌদবা মীপূম খুদিংমক্কী শেল থুমগী ফীভম হায়নীংঙাই লৈতনা শোকহনখ্রে। মণিপুর চাওখৎ লম্বীদা মনীং হন্না চেন্থরি।

কাঙলূপ মশেল হাৎন-শুনবা, কম্যুনেল রাইওট ইন্দিয়াদা অনৌবা নত্তে। কুমজা ১৯৮৪দা ইন্দিরা গান্ধী হাৎখিবা মতমদা দেল্লী য়াওনা ইন্দিয়াগী সিটি ৪০ মুক্তা পাক শন্না শন্দোরকখিবা মীওই লিশীং কুন্নমুক হাৎখি হায়না পান্নরিবা তমথীরবা এন্টি শিখ রাইওট লাকশিনবদা মতম শাংনা চঙখিদে। মীওই লিশীং অমা হেন্না শিখিবা মালেম শিনবা থুংনা শেগাক কায়না মমিং চৎখিবা কুমজা ২০০২গী গুজরাট রাইওট নুমিৎ হুম্নিগী মনুংদা কন্ট্রোল তৌখি। অৱাং থংবা দেল্লীদা কুমজা ২০২০দা থোকখিবা মীওই ৫৩ শিখিবা কাঙলূপ অনীগী হাৎন-শুনবা লাকশিনবদা নুমিৎ ৬নিদগী হেন্না চঙখিদে। দুৱাপুর যুগকী মহাভারতকী লানসু নুমিৎ ১৮দা লোইশিনখি। কুমজা ১৯৬২গী ইন্দিয়াগা চাইনাগা শোক্নখিবা লান অদুবু থা অমদা লোইশিনখি। কর্গিল ৱার ফাওবা লোইশিনবদা থা অহুম চঙখিদে। ঙসি লমদম অসিদা থোক্লিবা থা ৯ মপূং ফাজিল্লক্নবা লানসু নত্তবা ইন্দিয়া লৈঙাক্কা সূ চৎনরিবা লমহেন তুহেনবা কুকিনা মীতৈদা এটেক তৌবগী থৌওং অসিদি সেন্টর অমসুং ষ্টেটকী দবল ইঞ্জিন লৈঙাক্না থম্মোয় শেংনা লোইশিনগে হায়রবদি নুমিৎ নীনি/হুমনিদা লোইশিনবা য়াবনি। দেল্লী লৈঙাক্না তোকউ হায়বদা তোকখিগদবা লান ঙসি ফাওবা মখা চত্থহনবা হায়বসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী থৱায় য়াওদবদু উৎথোকচবনি। মেগী তাং ৪দগী অয়ূক নুংথিল নুমিদাং নাইদনা হোনজিল্লকখিবা সেন্ট্রেল ফোর্সশিং কুম্মৈ য়েংবা নত্তনা করিবু তৌখ্রবগে? মখোয়দি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী য়াকা য়েংলগা থবক তৌবনি, মোদি নৎত্রবসু অমিটনা তৌহনগনু হায়বদা নুমিৎ নীনিসু ফারোই লোইশিনখিনি, য়াথং ফংদবনা ভাবক ওইবনি। ঙসিদি ইপা ইপুশিংনা থাঙতনা ঙাকপীরম্বা ঐখোয়গী ইরৈবাক ইজাতি মাঙবা য়াদবনা ঐখোয়না ঙাকচবা তাবনি, ঙাকসু ঙাক্লক্লি। লৈঙাক্কী থৌওংনা খুল ঙাকপা, অরাম্বাই তেঙ্গোল অমদি অতৈ ইরৈবাকপু কঞ্জনীংবা লূপশিং অমদি নহাশিং থোরকখিগনি, মখা তানসু থোরকখিগনি, ঐখোয়না ঙাকচবা তাবনি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮৩

১) **“ময়ি চৎলবা থৱায়”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো? করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

২) **“তীর্থ যাত্রিক**
**নীংশিংবগী ইরোম্নুংদগী খোংদোইরকপা”**
হায়রিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৩) **“য়েস সার! নো সার!”** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো অমসুং অইবগী মমিং করি কৌবগে?

৪) **“অতোপ্পা লোনগী ৱারীমচা”** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা খোমজিল্লগা সম্পাদন তৌদুনা পুথোরকপগে?

৫) **“ফাইরেন থানা লাকপদা**
**অঙাওবা মালং ওইবা নঙবু**
**ইঙাও ঙাওনা খোঙদোইরক্নো**
**থম্মোয়গী থোঙ্গাল তম্না লাক্নো”**।
ঈশৈ মতেক অসি অইবা অমগী ঈশৈ শৈরেং লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অইবগী মমিং অমসুং লৌথোরল্লিবা লাইরিক্কী মমিং হায়য়ু?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮২গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, রাইজিং সন দ্রেসেস থাংমৈবন্দ - (২,৩,৪,৫)
২) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (২,৩,৪,৫)
***৩) হিজম অজেম, পাৎশোই পার্ট ৪ লাই হরাওবুং মনাক - (২,৩,৪,৫)***
৪) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (৪,৫)
৫) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (২,৩,৪,৫)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৮২গী ৱিন্নর*

***হিজম অজেম, পাৎশোই পার্ট ৪ লাই হরাওবুং মনাক (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)***

**লিটরেরি ক্যুইজ ৮২গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮২গী পাউখুম

১) **“শাংখ্রবা ইতিহাস অমা**
**থোঙজীন্দা লেপ্পুনা লৈরম্মী চাক্লিবী ওইনা**
**য়াহৌরকপদা**
**অয়ুক্কী মিংশেল ওইনা।”** শৈরেং মতেক অসি শক্নাইরবা অইবা অমগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অইবসি কনানো অমসুং মহাক্কী করম্বা লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো? **:- অইবা- রা:কু: ভুবনস্না, লাইরিক্কী মমিং - মৈ মমগেরা, বুদ্ধি মমগেরা, লৌথোরকপা শৈরেং - মিংশেল, অহুমশুবা খূৎনম ফোঙবা : মার্চ ২০১২।**

২) **“ইনেম্মচা”** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? অইবসি কনানো? **:- লাইরিক্কী মখল - নোভেল, অইবা - এস ঐচ প্রহ্লাদ শর্ম্ম, য়র ওফ পব্লিকেসন : ১০ নবেম্বর ২০১৫।**

৩) **“ফুংগা ৱারীগী শক্তম্ (২০২০)”** হায়বা লাইরিক অসি মপান মণিপুরগী অইবা অমনা ইবনি। অইবগী মমিং হায়য়ু? **:- অইবা হাওবম ননীকুমার সিংহ, ফোঙবা : ২০২০ ইং।**

৪) **“কোর্ট মার্সেল”** হায়রিবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অইবদু করি মমিং কৌবগে? **:- মণিপুরীদা হন্দোকপা - ডা. রাজকুমার মোবী সিংহ, ওরিজিনেল অইবা - স্বদেশ দীপক (হিন্দি ড্রামা), ফাষ্ট পব্লিশ : নবেম্বর, ২০২৩।**

৫) **“ঈচাউ অমসুং লৈরাই”** হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? **:- অইবা - নবকুমার নোংমৈকাপম, লাইরিক্কী মখল - ৱারীমচাশিংগী খোমজিনবা, অহানবা ফোঙবা : সেপ্টেম্বর, ২০০৫।**

# তঙাইফদনা মরুপনা মরুপ হাৎচখিবনি -২

## (ঐগী কম্ম্যুনিতিগী ফিরেপনা হেন্না লুখিবনা, ওফিস অমত্তদা থবক তৌমিন্নবা অমদি য়াম্না লুনা তিন্নরিবা মরুপ মপাং পূম্নমক্তা তঙাইফদনা নমথাক অদুমক তৌজখ্রবনি।)

- সৌবাম বিরধজ -

অসুম্না ঐনা মুম্বাইদগী থোরক্লগা কুকি ইতাওদগী কর্ম্ম লোইরগা ঐঙোন্দা মিং হান্না ওল্লগা ইতাওদা অমুক ওন্থোক্নবা তৌরসি লাখ ২০/৩০ দং কর্ম্ম নংননবা হাপ্পীরক্লগা অৱাৎপদুদি কোন্না মিং ওন্থোক্লরগা তৌরসি হায়না হায়নদুনা শেনফমদু লৌশিল্লে। কর্ম্ম লোইরগা কুকি ইতাওদুগা মঙোন্দা মমিং ওন্থোক্লনবা কোইচেন চেনমিন্নরিঙৈ মেগী ৩গী থৌদোক্না মরম ওইদুনা কুকি ইতাওদু চুড়াচান্দপুরদা অদুম চৎখ্রে। মহাক্না য়াম্না তোয়না ফোন তৌরক্তুনা শেল হন্দোক্নবা মাগী বেঙ্ক একাউন্ট নম্বর পীরক্তুনা হন্দোরক্নবা হায়রকখি। মদুগী পাউখুমদা ঐনা ইতাও পাবা লায়েংবদা ইতাওগী শেলদু লোইনমক চঙখ্রবনি, ইতাওনা হেন্না খঙলিবনি। অৱাৎপা শেনফমদু ইতাওনা পীরক্লগা দুকান অমা শাদুনা ফম্ননবা খল্লম্বনি মদুসু ইতাওনা খঙলিবনি।

ইতাও ইম্ফালদা হান্না লাকপীরো, লৌফমদু পাবদগী ঐহাক্কী মিংদা ওল্লবনি। হৌজিক্তি ঐঙোন্দগী ইতাওগী মমিংদা ওন্থোক্লনবা তৌরসি। হায়নখিবা অৱাৎপা শেনফমদুসু পুবিরক্লো হায়না খুমখি। মহাক্না অমুক খুল্লকখি, ইম্ফালদা লাকপদি খুদোং চাররোই শেনফমদু খরা খরা ওইরবসু মাগী একাউন্টসিদা হাপ্পীরক্লবা কন্না হায়রকখি। ঐনা খুমখি, ঐদি ইতাওদা করিসু লানখিদবনি, ইতাওদগী লৌশিনবা শেনফমদুনা পাবা লায়েংলগা অরেম্বা শেনফম্না দুকান শারগা ঈংনা চিক্না দুকান ফম্লগে খঞ্জরম্বনি, ইতাওনা হেন্না খঙলিবদুনি। হৌজিক্কী কম্ম্যুনিতিগী ওইরক্লিবা হাৎন-শুনবগী ফীভমসিদা ইতাওনা ইম্ফালদা লাকপা ঙমদবনি। ঐনসু ইতাওদা শেনফমদু করম্না হেক্তা হন্দোকপা ঙমগনি খুমখি। কুকি ইতাওদুনা অতোপ্পা অমদা লৌফমদু য়োল্লগা শেনফমদু মাগী একাউন্টতা হাপ্লক্নবা কন্না হায়রকখি। হোয় ঐ য়েংলকখিগে হায়না খুল্লগা ফোন থম্লে। হৌজিক্তি মে ৩গী থৌদোক্কী মতুংদগীদি কুকি মিলিটেন্টশিংনা য়াম্না তোয়না লান্দারকপদগী মণিপুরগী তম্পাক্কী মফম খুদিংদা অৱাবা খম থেংনা মায়োক্নরিবনি। অসুম্না থোকউ তল্লমদুনা কুকি ইতাওনা ইম্ফালদা লাকপা ঙমজদবনি খল্লদুনা হৌজিক ফাওবদি কুকি ইতাওগী মদাও য়াদবনি, খল্লদুনা তূমিন্না অদুমক লৈরি।

নাকল অমরোমদনা, ওফিস অমত্তদা থবক তৌমিন্নবা কুকি ইচিল-ইনাওদা থাজবা থল্লুবা, শেন্দোই পাল্লুবদগী মশাগী সনা ফাওবা কায়থোক্লগা কুকিদা শেল থাদদুনা (শেন্দাই চাবা পাল্লুবদগী) শেল মাঙনখিবা মীওইশিং য়াম্না লৈরমখি। ইম্ফাল মনুংদা ‘গালামান’ দুকান চাউনা চাউনা ফল্লিবা মীতৈ/ময়াংশিংদগী পোৎ চৈ পূন্না পূন্না লৌরগা চুড়াচান্দপুর, কাংপোকপী, চান্দেল, মোরেনচিংবদা চাউনা চাউনা দুকান ফল্লিবা কুকিশিংনা (মতম শাংনা পোৎ-চৈ লৌনরক্লিবনিনা) হান্নগী দ্যু পীরম্লগা অমুক হান্নদগী হেন্না লৌশিন্দুনা পুখিবদু মীতৈ/মৈতৈগী দুকান্দগীনা খরা খিৎ হেনখ্রবা জাৎনি।

অসুম্না কুকি কষ্টমর মঙা তরানা দ্যু শিংদোকপা লাক্তবদৈ দুকান মরাই চাইথখিদুনা মকোক্তা মখূৎ হাপ্তুনা খাঙখিবা মীতৈ/মৈতৈগী দুকান্দারশিংনি। ফোন তৌরুরগসু ঐখোয় হৌজিক্তি ইম্ফালদা কারকপা য়াদ্রে, ঐখোয়গী কম্ম্যুনিতিগী ফিরেপ্না হেন্না কনখিবনা, ইম্ফালদা লাকপা য়াদ্রে, ফীভম ফরক্লগা লাক্লগে হেক্তা খুল্লক্লিবনি। একাউন্ট নম্বর পীদুনা হাপ্লক্নবা হায়রুরবসু মখোয়না থোকপা অমা খুল্লকই, ‘তঙাইফদনা মরুপনা মরুপ হাৎচখিবনি’ ঐখোয়গী কম্ম্যুনিতিনা মীতৈ/মৈতৈ কম্ম্যুনিতিবু য়াদ্রে, অদুনা মখা তানা ঙাঙনরগুমসি হায়না হায়রক্লগা মহাক্কী ফোন অদু স্বিটচ ওফ তৌখ্রে।

অসিগুম্বা ফীভমসিদা কনাগুম্বা খরনা লাইবক ফবা ওইহৌবা অদুগা কনাগুম্বা খরদনা মকোক্তা খূৎ হাপ্তুনা খাঙনখিবা কোঙ্গাইনি। পূম্নমক অসিগী ৱাহৌদি মেগী ৩গী নুমিদাংদৈ তোর্ব্বুংদা লৈবা মীতৈ/মৈতৈগী যূম কয়ামরুম কুকিশিংনা পাক্তক্না মৈ থাখিবদগী হৌরকখিবনি। মখা তারকপদা কুকিশিংগা তাইনরিবা লোইজিং লোইয়াদা অফবা মখলগী খূৎশু-খূৎলায় পায়রিবা কুকি মিলিটেন্টশিংনা য়াম্না তোয়না নোংমৈ কাপশিল্লক্তুনা অকি অখং লেপ্তুনা থোকহল্লিবনি।

কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপ্পা লেপ্লবা মতমদা মণিপুরদা শান্তি হঞ্জিল্লক্কনি হায়বসিদি ইন্দিয়া লৈঙাক্না হেন্না খঙলিবনি, ইন্দিয়া লৈঙাক্না খামদবগী ৱানি। মরম অদুনা লান খামখিরোই খল্লিবা ইন্দিয়া লৈঙাকপু ঐখোয়না থাজফম থোক্তে, ৱাফমসি ‘মীতৈ/মৈতৈ কম্ম্যুনিতিনা তিন য়োথদুনা খাঙলিবনি’ হায়না থমজরি। লোয়ননা ঐগী কম্ম্যুনিতিগী ফিরেপ অসিনা হেন্না লুখিবনা ‘তঙাইফদনা মরুপনা মরুপ হাৎচখিবনি’ হায়না মমিং থোঞ্জবা ৱারেং অসি তেনশিনজরগে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।